হুইয়েন লানপাউ

স্বছ ভারত মিসনগী মখাদা পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্টকী চীফ এঞ্জিনিয়ার বিল্ডিংনা শীন্দুনা খুয়াথোংদা লৈবা পি দব্লিয়ু দিগী ওফিস কমপ্লেক্স শেংদোকপগী শক্তম

কুম্বী এ সী অমসুং সাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টকী মীয়াম্না পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি সোইবম সুভাশচন্দ্র অমসুং আই জি পি ডা. সোইবম ইবোচা ওকপগী থৌরম

চরাংপাৎ জিলা পরিষদকী মনুং চনবা থোকচোম খুলগী য়ুথ দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বকী এগজামদা মায় পাক্লক-খ্রবশিং ওকপগী থৌরম

খাঙবোক্তা লৈবা ৩শুবা আই আর বিনা স্পোন্সর তৌদুনা য়ু ভী দি এ সী খাঙবোক্লা শীল্লগা ঈচাউ মায়োক্লরবা খুঞ্জাশিংদা থক্লবা অফবা ঈশিং য়েন্থোকপগী শক্তম

Drinking Water Distribution
to Flood Victims

Vol. 41, Issue No.113 | নিংথৌকাবা, ইঙেনগী ২৩ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, July 17, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬২.৫৮
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৩.৩৬

ভিমোনা জেনিমসকী দিরেক্টর ওইরে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ : ডা. এল দেবেননা জেনিমসকী দিরেক্টরগী ফম পুবগী মতম লোইখিবগা লোয়ননা জেনিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ মেদিসিনগী প্রোফেসার ডা. থোঙাম ভিমোবু ঙসিদগী থা ৩গী ওইনা নৎত্রগা ফুল টাইম দিরেক্টর অমা খনদ্রিবা ফাওবা জেনিমসকী দিরেক্টর ওইনবা লৈঙাক্লা চেরোল অমা থোকখ্রে। ফিজোলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার ডা. এল দেবেননা ডা. থোঙাম ভিমোদা খুদক্তা দিরেক্টরগী ফম অসি শিন্নবা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমনা হায়রি। ডা. ভিমোনা দিরেক্টরগী ফম অসি মহাক্লা হান্না পায়রম্বা থবকশিংগী মথক্তনি হায়রি।

ডা. মৈন্যনা লাখ ১০ কায়থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ : ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা তেংবাঙ পীনবা অমসুং নীংথিনা খুন্দা লৈতাহন্নবগী থবক্তা শীজিন্ননবা ইন্নর মণিপুর লোক সভাগী এম পি ডা. থোকচোম মৈন্যনা মহাক্কী এম পি লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী লুপা লাখ ১০গী শেনফম কায়থোকখ্রে। শেনফম অসি ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী ওইনা শীজিন্ননবা এম পি ফন্দ ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী নোদেল এজেন্সী ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী খুথাংদা সেঙ্কসন তৌগদবনি। কুমজা ২০১৫গী জন্যুৱারীদা মণিপুরদা অকনবা য়ুহা হাবা থোকখিবা মতমদসু ডা. মৈন্যনা মান্নবা লুপা লাখ ১০গী শেনফম অমসু ভীক্টিমশিংগী অৱা তেংবাঙ অমসুং খুদা লৈতাহনবগী থবকশিংদা শীজিন্ননবা কায়থোকখিবা লৈখি।

এক্সিদেন্টতা ১ শিরে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ : চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসন্দগী খা নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৪ রোম চৎলগা লৈবা গুইতে খুল ময়াদা নুপী অমা টাটা মেজিক্লা তকপদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে। থৌদোক অসি ঙরাং অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা নুপী অদুগী মমিং লমখোতি (৫৮) ...মখা লামায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

HL POLL

Q : Swine Flu (H1N1) thengnanaba leingak asina loukhatliba thourangsing penningai oibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Constitutiongi kanglon pumnamak thugairaga congress MLA anina BJPda yaobasi yaningbra?

Yes 29% No 71%

অস! লোইরেহে!

স্বাইন ফ্লু শন্দোরক্লে হায়রগা
ওকশা চাবিরিদুবু য়াব্রা...?

ꯁ꯭ꯋꯥꯏꯟ ꯐ꯭ꯂꯨ ꯁꯟꯗꯣꯔꯛꯂꯦ ꯍꯥꯌꯔꯒꯥ
ꯑꯣꯛꯁꯥ ꯆꯥꯕꯤꯔꯤꯗꯨꯕꯨ ꯌꯥꯕ꯭ꯔꯥ...?



তাঞ্জা ফংলিঙৈদা চাহৌরগে...!

ꯇꯥꯡꯖꯥ ꯐꯪꯂꯤꯉꯩꯗꯥ ꯆꯥꯍꯧꯔꯒꯦ...!

কলচরেল য়ুনিভর্সিটি শানবা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাখদা লম য়েংখ্রে

‘নোংজু থা লোইবগা প্রোজেক্টশিংগী থবক হৌনবা হোৎনরি’

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস):

কলচরেল য়ুনিভর্সিটি য়াওনা তোঙান তোঙানবা মেগা প্রোজেক্টশিং ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চনবা ৱাখগী অকোয়বগী মফমশিংদা শেমগৎ-শাগৎপা য়াগদ্রা হায়না মফম অদুগী ফীভম ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর-শিং, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং য়াওবা মীহুৎ কাঙবু অমনা য়েংশিনখ্রে।

আর্ট এন্দ কলচর অমদি লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রসকী মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মাহুদকী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা লুচিংলগা চথখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা ফাইনান্স অমসুং সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি টি ঐচ সৈত্যবর্ত্ত, এদ্যুকেসনগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি কে রোবিন্দ্রো, আর দি এন্দ পি আরগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ঐচ দিঙ্গো, এস দি ও পোরোম্পাৎ অমদি কলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি।

ৱাখগী অকোয়বগী মফমশিং অদুদা চাউরাক্লা লম একর ৩০০ রোম ফংগদ্রা হায়নসু লৈঙাক্কী মীহুৎশিং অদুনা য়েংখি। খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ঙসি ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চনবা ৱাখগী অকোয়বগী মফমশিং য়েংশিল্লিবা অসি অনৌবা লৈঙাক অসিনা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি য়াওনা মেগা প্রোজেক্টশিং মফম অসিদা পায়খৎপা য়াগদ্রা হায়বদু য়েংশিনবনি। য়েংশিন খোঙচৎ অসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী পাউতাক মতুং ইন্না চথবনি। অনৌবা লৈঙাক অসিনা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি য়াওনা মেগা প্রোজেক্টশিং অসি অচিকপা মফমদা পায়খৎনীংবগী অপাম্বা লৈ।

কলচরেল য়ুনিভর্সিটি হাংদোক্লবসু য়ুনিভর্সিটি অসিগী চপ চাবা মফম লৈত্রি। ফিল্ম ইনষ্টিট্যুট অমদি জুদিসিএল একাদমিনচিংবগীসু মফম লৈত্রি। অনৌবা লৈঙাক অসিগী এচিভমেন্ট ওইবা য়াবা থবকশিং ওইনা হায়রিবা মেগা প্রোজেক্টশিং অসি নোংজু থা হেক লোইবগা অথুবদা পায়খৎনবা হোৎনরি।

ঙসি য়েংশিল্লিবা মফম অসিগী দিটেল চার্ট হায়বদি খাস লেন্দনা কয়াম য়াম্না লৈবা, পট্টা লেন্দনা কয়াম য়াম্না লৈবা হায়বদু মেপকা লোয়ননা লাক্কদবা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্কবা মরী লৈনবা এস দি ওদসু খঙহনখ্রে। হায়রিবা মেগা প্রোজেক্টশিং অসি পায়খৎপদা লোকল এম এল এ ওইরিবা নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী চাউরবা থৌদাং লৈ। মহাক্কী মতেংগা লোয়ননা মীয়াম্নসু অচৌবা থৌদাং লৌবিরগা অচৌবা প্রোজেক্টশিং অসি মপূং ফানা পায়খৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। *মখা লামায় ৩ কলম ৬*

সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী মীহুৎশিংনা চীফ মিনিষ্টর উনখ্রে

য়ুনিয়ন ট্রাইবেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিদা রেকমেন্দ তৌগদবনি : এস টি দি সী

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপ্পু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা সেদ্যুল ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবা য়ুনিয়ন ট্রাইবেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিদা রেকমেন্দেসন তৌগদবনি হায়না সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি ওফ মণিপুরনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা ৱাকৎ চে পীশিনখ্রে।

দিমান্দ কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট প্রো. ৱাই মোহেন্দ্র সিংহনা খুৎয়েক পীরগা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা, প্রেসতা কোপি অমা য়ৌহল্লকখিবা ৱাকৎ চে অদুনা হায়, মমাঙদসু হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা রেকমেন্দ তৌবগী ৱারোল সেন্টরদা য়ৌহনখিনবা দিমান্দ কম্মিটিনা কয়ারক হন্না তকশিনবা লৈখ্রে।

কুমজা ২০১৩গী অঙনবা শরুক্তা য়ুনিয়ন ট্রাইবেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিনা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপ্পু সেদ্যুল ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহনবগী ৱাফম খন্ননবগীদমক ফুরুপ অসিগী সোসিও ইকনমিক সর্ভে অমদি এথনোগ্রাফিক রিপোর্টকা লোয়ননা রেকমেন্দ তৌনবা খঙহল্লকপা লৈখ্রে।

নীংশিংবা থোক্লবা মতমদগী হৌনা মণিপুরদা খুন্দারল্লিবা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপকী তোপ তোপ্পা নাৎ, চৎনবী, লোল অমসুং পুৱারী লৈজে। মসিবু কন্সটিট্যুসন্না ঙাক্লো পীবগী মথৌ তাই। অদুবু কুমজা ১৯৪৯দা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখ্রবা মতুংদা কুমজা ১৯৫০দা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন শেমখিবা মতমদা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপ্পু য়েলহৌমীশিংগী লিষ্টতা য়াওহনখিদে। মসি কুমজা ১৮৯১, ১৯০১, ১৯৩১ অমসুং ইন্দিয়া প্রোভিন্সিএল সেরিজ ইষ্টর্ন বেঙ্গল এন্দ অসাম ১৯০৯গী ইম্পেরিএল গেজেটতা মীতৈ/মৈতৈবু য়েলহৌমীনি হায়না শকখঙখিবা অদুগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি।

য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপকী লাখ ১.৫ হেনবা মীওইশিংবু সেদ্যুল ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বা মরম চাবা দিমান্দদা মণিপুর লৈঙাক্লা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলক্তবগী মায়োক্তা কুমজা ২০১৬কী সেপ্টেম্বর ১৮দা মীয়ামগী ওইবা ঈং-তম্পা খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অদুদা মীয়াম্না লৌখিবা ৱারেপকী কোপি অমা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টরদা পীশিন্দুনা চহী অদুগী ওক্টোবর মনুংদা রেকমেন্দেসন অমা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা থাখিনবা তকশিনখি। অদুবু ষ্টেট লৈঙাক্লা মতিক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলকখিদে।

মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপকী মীওইশিং য়েলহৌমীনি হায়বা ৱাফম অসিদা থোইদোক্লা য়েৎননিংঙাই লৈত্রে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ২০১১দা সুপ্রিম কোর্টনা সেদ্যুল ট্রাইবশিং ইন্দিয়াগী য়েলহৌমীনি হায়না ফোঙদোকখিবা তারবসু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্দা ইন্দিজিনস পিপলগী ৱাহন্থোক্কী শরুক অমা য়াওহনখিদে। মমাঙদা নেসন ষ্টেট অমা ওইরিঙৈদা মণিপুর পুম্বা য়েলহৌমীশিংগী ওইরমই। *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

জুদিসিয়ারিনা মীয়ামগী থাজবা মাঙহল্লোইদবনি : সী এম

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস) :

জুদিসল সার্বিসতা থবক তৌরি-বশিংনা মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি ফেমিলি কোর্ট থৌবাল শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

লো এন্দ লেজিসলেটিব এফেয়র্স দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ফেমিলি কোর্ট শঙ্গাবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না হায়খি, ইমুং-মনুংগী ওইবা দিস্পুট কয়াগী মতাংদা ৱায়েল পুরক্লবা ফেমিলি কোর্ট হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী জুদিসিয়ারিদা কোপরেসন অমদি সপোর্ট পীগনি। কোর্টশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎনবসু মীৎয়েং চঙগনি। ষ্টেট অসিদা মোব জষ্টিসকী থৌদোক হেক হেক থোকপা থেংনরি। মোব জষ্টিসকী কলচর অসি থিংনবা হোৎনগদবনি। কনাগুম্বা অমত্তনা লোবু মখুৎতা পায়রগা শীজিন্নরোইদবনি। ঐখোয় পুন্নমক রুল ওফ লোগী মখাদা লৈবনি হায়বসি কাউরোইদবনি।

ষ্টেট অসিদা দ্রগ এদিক্সনগী চাং অসি এলার্মিং ওইবা মওং অমদা লাক্লি। দ্রগ শীজিন্নবগী ভিক্তিম ওইরবশিংবু খুন্নাই অসিগী ইচেলদা পুরক্লবা হোৎনগদবনি। দ্রগ এদিক্টশিংগী রিহেবিলিটেসনগীদমক লৈঙাক্না এক্সপেন্দিচরশিং পুথোক্লবা মীৎয়েং চঙগনি। ষ্টেট অসিদা নুপী লিশিং ২৪ রোম ঐচ আই ভি (এইদস) কা শাগোন্নদুনা হিংলি। তুংলমচৎকীদমক অফবা পুরক্লবা ঐখোয় পুন্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি।

মীয়ামগী নুমিৎ অমদি চীং লুচিংবশিংগী নুমিৎ হায়না লৈঙাক্না নুমিৎশিং লাউথোক্তুনা উনবগী থবক চথরিবা অসিনা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সিরোল অমদি করম্না হিংলি হায়বসি খঙবা ঙম্নবগী তাঞ্জা অমা পীরি। মীয়াম্না তোঙান তোঙানবা ৱাকৎ কয়াসু থম্নরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মখা তারদুনা হায়খি, মণিপুর অসি হীরম কয়াদা অশোয়বা, অৱাৎপা কয়ানা লুপখিবা য়াবগী তাঞ্চক অমদা লৈরল্লে। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মণিপুরগী লুচিংবনি হায়রগা তুংগী মীরোলনা তিল শিংনহৌদনবা হোৎনমিন্নরসি।

মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক অসিনা লো এন্দ লেজিসলেটিব এফের্স অসি হেন্না মপুং ফানা চাউখৎহন্নবা মীৎয়েং থমদুনা হোৎনগনি। মণিপুরদা মতম শাংনা লৈরম্লবা অশোয়বা, অৱানবা কয়া অসি কোকহন্নবগীদমক জুদিসিয়ারি, মীদিয়া, মীয়াম অমদি লৈঙাক পুন্না হোৎনমিন্নবগী মথৌ তাই।

বি জে পি অমসুং চৎমিন্নরিবা পার্টিগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

প্রসিদেন্ট মীখলগী ভোট ঙসি থাদনরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস) :

লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট খন্নবগী মীখল হয়েং পাঙথোক্লগনি। মীখল অসিদা নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইয়েন্স (এন দি এ)না রাম নাথ কোবিন্দবু অমসুং ওপোজিসন পার্টিশিংনা চুংশিন্নরগা মৈরা কুমারবু মীরেপ ওইনা পুথোক্লি।

অতৈ ষ্টেটশিং অমসুং পার্লিয়ামেন্টতা তৌবগুম্না মণিপুরগীসু হয়েং অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী কম্মিটি রুমদা মীখল পাঙথোক্কনি। মীখল অসিদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মেম্বর ৬০ ভোট থাদরবা য়াই। মণিপুরগী ওইনা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী সেক্রেটরি এম রমাণিনা মীখল অসিগী রিটর্নিং ওফিসার ওইরি। মণিপুরগী এম পি অহুম মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা ভোট থাদগদ্রা নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্টতা ভোট থাদগদ্রা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

মীখল অসিদা পুন্না এম পি ৭৪৮না ভোটর ওইরি। মসিগী মনুংদা এন দি এগীনা ভোটর ৪১৩ অমসুং য়ু পি এগীনা ১১২ অমদি অতোপ অতোপ্পা পার্টিগী এম পিনা ২২৩নি। উত্তর প্রদেশনা এম এল এ মশীং ৪০৩ লৈ। মসিগী মনুংদা এন দি এগীনা ৩২৫নি অদুগা য়ু পি এগী ৫৬নি। অনীশুবা ইলেক্টর খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা ষ্টেটনা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ওইরি। ষ্টেট অসিদা ইলেক্টর ২৯৪ লৈ। অহুমশুবদনা ইলেক্টর ২২৮ লৈদুনা মহারাষ্ট্র ষ্টেটনা অহুমশুবা ভোটর য়াম্না লৈবা ষ্টেট ওইরি।

অদুম ওইনমক মীখল অসিদা ইলেক্টরগী মশীংনা মীখল অসিগী মরাইবক লেপ্পা য়াদে। ইলেক্টর অমমমগী ভোটকী ভেল্যু তোঙান্না লেপথোক্লগা লৈরি। ভোটকী ভেল্যু লেপ্লিবসি মখোয় মখোয়না মহুৎ শীল্লিবা কন্সটিট্যুয়েন্সীশিং অদুগী ভোটরগী সাইজ য়েংলগা লেপ্পনি হায়রি।

মীখল অসিদা ওপোজিসন পার্টিশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা ঙমদবগী খুদম উবা ফংই। মরুওইনা উত্তর প্রদেশতা সমাজৱাদি পার্টিগী ওইনা রুলিং অমসুং ওপোজিসন অনীগী মীরেপশিংদা ভোট পীনবা কেম্প তৌনরি। সমাজৱাদি পার্টিগী লূচিংবা মুলাইয়ম সিংহ যাদবনা লূচিংবা কাঙবুনা এন দি এগী মীরেপ রাম নাথ কোবিন্দবু শৌগৎকনি হায়না মমাঙদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

অমরোমদা, বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)গী মকোক ময়াৱাতিনা য়াম্না কন্না হায়জরকপদগী সমাজৱাদি পার্টিগী লূচিংবসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ যাদবকী কাঙবুনা এন দি এগী মীরেপ মৈরা কুমারদা ভোট পীগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা কেম্প তৌরি।

মণিপুরদসু মীখল অসিদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী এম এল এ ৮ বি জে পিদা...*মখা লামায় ৩ কলম ৮*

‘বাংলাদেশতা মহৈরোয় ১ শিরম্বা, ১না থৌরি য়াল্লম্বা চিংনিঙাই ওই’

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস) :

বাংলাদেশকী ত্রাইবেল য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, চিটাগোংদা মহৈ তম্লিবা মণিপুরী মচা অলিফ শেখ লৈখিদবা অমসুং অতোপ্পা মহৈরোয় অমনা থৌরি য়াল্লম্বগী থৌদোক অদু কনাগুম্বগা লৌতুনরগা চথখিবা থবক্লা হায়বা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা চিংনৈ হায়রি।

লাইবক থীবা থৌদোক অসি থা অসিগী ১৪ গী নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদা থোকখিবনি। থৌদোক অসি য়াম্না চিংনিঙাই ওই হায়না ঙসি খাবম মখা লৈকায়দা লৈবা ৱিলসনগী অপোকপা মৈস্নাম মেঞ্জোরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

এম দি অলিফ অমদি ৱিলসন মখোয় অনী অসি য়াম্না লুনা তিন্নবা মরূপ্নি। মহৈরোয় অনী অসি মমাঙদা নুংঙাইনদবগী থৌদোক থোকখিবা লৈতে। অদুবু ঙরাং অয়ুক পুং ৩ লোম তাবদা ৱিলসনগী য়ুমদা ফোন তৌরক্তুনা মফম অদুদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয় অমনা পাউ পীরকখি হায়রি।

ৱিলসন হায়রিবা মীওই অসি য়াম্না শাউগনবা অমদি ফিংগনবা মহৈরোয় নত্তে। য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভেকেসন লৈবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা লেন্দস্লাইদ ভিক্তিমশিংগা উনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস) :

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার অথেম মুইভানা লুচিংবা টিম অমনা ঙরাং মণিপুর নাগালেন্দ বোর্দরদা লৈবা তাম্ফুং ভিলেজদা লেন্দস্লাইদ থোকপদগী লৈখিদ্রবা অমদি অশোক-অপন নংখ্রবা ভিক্তিমশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা উন্দুনা ৱারী শানখ্রে।

মণিপুর নাগালেন্দ বোর্দরগী মরাম পেরেল রোদ, তদুবী এ সীদা লেন্দস্লাইদ অদু থোকখিবনি। মদুদা মীওই অনী শিখি, তরুক্লা অশোক-অপন নংখি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদা থোকখিবা লেন্দস্লাইদ অদুনা মরাম পেরেল রোদকী মফম কয়াদা শোকহনখি। চুৱাজাং, জাইসিগুঙ অমদি হাইসুৱা-কাক্তা লম্বীদা অকায় অতোয় থোকখি। অশোক অপন নংখ্রবা মীওই তরুক অদুগী মনুংদা অহুম অমদি বি আর টি এফকী লেবরনি হায়রি। অতোপ্পা অহুম অমনা তাম্ফুং ভিলেজদগীনি। লম্বী অসি ফাওনবা য়ানবগীদমক শেংদোকপগী থবক কন্না চথরি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনা তাম্ফুংগী লেন্দস্লাইদকী অৱাবা তারবা ভিক্তিমশিংগী...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ঈশিং ঈচাওনা শগোলশিংগী মচীঞ্জাক চাফম লৈশিল্লক্ত্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও মায়োক্লরিবা অসিনা মরম ওইদুনা শগোলশিংগী মচীঞ্জাক চাফম লৈশিল্লক্তবগী অৱাবা মায়োক্লরে। মণিপুর পোনি কঞ্জর্বেসন এন্দ দিভলপমেন্ট পোলিসি অথুবদা চৎনহনবীয়ু হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ পোলো ক্লবস ওফ মণিপুরগী চ্যেয়রমেন এন বেদজিৎনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এন বেদজিৎনা হায়খি, মণিপুরী শগোল হায়বসি মালেমদা শকখঙনরবা শগোলশিংগী মনুংদা অমনি। মণিপুরদগী হৌদোকখিবা পোলো মশান্নগীদমক ঐখোয় পুন্নমক্তা চাউথোকচরিবা অসি শা অসিগী মপান্দগীনি। মরুওইখ্রবা ঐখোয়গী পোনি হায়রিবা শা অসি মালেমগী লৈমায়দগী মুৎখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। ওফিসল ওইবা রেকোর্দতা শগোল মশীং ১০০০ গী মখাদা লৈরে। অদুবু কম্মিটিনা খঙবদা ফাওবদি মশীং অসি ৫০০ মুক্তা ঙায়রবনি। শগোলবু কন্নবা হোৎনরিবা অমদি য়োকপা থাকপা তৌরিবা অসি শগোল কাঙজে শান্নরিবা শান্নরোয় খুজোক খরা অসিদা ঙায়রে। মখোয়শিং অসিনা শগোলবু য়ুমদা চৎথোকহন্দনা লোয়বা ঙম্বগী শক্তিসু লৈতে। ষণগুম্না য়ুমদা ফাজিন্দুনা থম্লগা লোয়বগী চৎনবীদু থায়নদগী লৈরক্তে।

থাদোক্তুনা থম্লগা তঙায়ফদবা মতমদা ফাগৎলগা শীজিন্নবনি। শগোলবু য়োক থাক্তুনা হোৎনরিবা মীওইশিংবু পুক্লিং থৌগৎপগী মহুত্তা তাথি তাওইনা তৌবীবা অসিনা মরম ওইরগা শগোল লোয়বগী থবক অসি থাদোকপা পাম্নরক্লে। শগোল লোয়বগী থবক তোকখ্রবদি মণিপুরগী শগোল অসি মুৎখিবা য়াবগী ফিভমদা লাক্লগনি। লন্নাই মীওইশিংনা শগোলবু নুংশিরবদি নৎত্রগা য়োকখৎপা পাল্লবদি য়োকচরিবা মীওইশিং অসি চৈবীবগী মহুত্তা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি ময়াম পুন্না শগোলগী চাক্তাফম লম খরা থম্বীনবা হায়সি।

শগোলনা করি মরমদগী লম্বীদা থোরক্লিবনো হায়বসি খঙনরবা ৱাফমনি। শগোলনা লম্বীদা থোক্লকপা হায়বসি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থবক্লি। শগোলগী চাক্তাফম ওইরম্বা মহৌশা পাৎ ওইরম্বা মফম কয়া লৈশিল্লক্ত্রে। লৈনবা য়ুম ওইনা শাজিন্নবা, লৈঙাক্কী অমদি লন্নাইগী ওইবা মহৈ তম্ফমশঙ, ওফিস বিল্ডিং অমদি শান্নফম্নচিংবা কয়া ওন্থোকখ্রে। উপায় লৈতবদগী শগোলশিং লম্বীদা থোরক্লিবনি। গাড়ীনা থেংলমদুনা শিবা কয়াসু য়াওখ্রবনি। হৌজিক ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিনা মরম ওইদুনা শগোলনা মচীঞ্জাক চাফম ওইরম্বা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

RIMT UNIVERSITY
"education for life"

150+ PROGRAMS TO CHOOSE FROM | 100% MERIT BASED SCHOLARSHIPS AVAILABLE | 400+ COMPANIES VISITED
40000+ PLACEMENTS TILL DATE | 5 INTERNATIONAL MOU'S | Students from 28 STATE & 07 COUNTRIES

DIRECT ADMISSIONS

PROGRAMS WE OFFER

Engineering (B.Tech/ M.Tech/ Diploma/ B.Voc./ Ph.D), Hotel Management, Architecture, Law, ITI, Computer Applications (BCA/ B.Sc/ MCA/ M.Sc/ PGDCA/ Ph.D), Commerce, Management (BBA/ MBA/ MBA Integrated/ M.Phil/ Ph.D), Design (Dip/ B.Sc/ B Design/ BFA/ MFA/ M.Phil/ Ph.D), Agriculture (Diploma/ B.Sc/ M.Sc/ Ph.D), Fisheries, Journalism & Mass Communication (Bachelor/ Master) Pharmacy, Basic & Applied Science (B.Sc/ M.Sc/ M.Phil/ Ph.D), Para-Medical.

ATTRACTIVE SCHOLARSHIPS
FOR ENTIRE COURSE TENURE OF ALL PROGRAMMES
Meritorious | Sports | Low Income | NCC/NSS | Bravery Award | Defence Person

RIMT MANIPUR OFFICE:
☎ 8725885838
☎ 8257097692

Main Campus : Nh1, Opposite Floating Restaurant, Sirhind Side, Mandi Gobindgarh, Punjab
www.rimt.ac.in Toll Free 1800 137 0022
UGC Under Section 2 (f), AICTE & COA Approved Courses

HL-P/2071/15-27alt-July

LOAN AVAILABLE

- মখল খুদিংগী অপাম্বা 2, 3 and 4 Wheelers Loan
- Service Loan
- Pension Loan
- Gold Mortgage
- T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
- হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

● 100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokleibung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/1820/15/6-19/7